# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, DECEMBER 17, 2018 PAGE 7



*ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলসকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী কেন্টো মোমোটাবু মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখ্রবা চাইনাগী সি য়ুকি*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদতা নৌনা শান্নবগীদমক চহী ৩ গা থা ৬ মখা তানা কন্ট্রেক শাংদোকখ্রবা সেন্টর বেক শান্নরোই খৃস স্মোল্লিং*



## বেলজিয়মনা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৩–২ দা থোইদুনা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখ্রে



*হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখ্রবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা উৎপা*

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মমাঙ থাগী ২৮ দগী উরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা মালেমগী হোক্কী শান্নবা লৈবাক ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরকপা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মনা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৩–২ দা থোইরম্লগা অহানবা টাইটল লৌখ্রে। অহুমশুবা পোজিসনদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঙ্গল ৮–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফংখ্রে।

বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দসনা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী নাকল অনীদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। অহানবা হাল্ফ অদুদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াই বেলজিয়মনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইংলেন্দবু য়াম্না লায়না পাঙ্গল ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা মখোয়গী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা নেদরলেন্দসনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা থোইরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী অয়াম্বা মতমদা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক হেন্না তৌবা ঙমখ্রবসু নেদরলেন্দসকী দিফেন্দরশিংনা মায়োক্নবা টিম্না চথরকখিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা ফাওবদা পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদসু পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা চেম্পিয়ন ওইগদবা টিম খনবগী মথৌ তাখি। পেনাল্টি সুট আওটতা বেলজিয়মনা মমাঙগী রন্নর্স অপ তাবা ঙমখিবা নেদরলেন্দসপু ৩–২ দা থোইরম্লগা হোক্কী মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু পাঙ্গল ৮–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা লৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফতা পাঙ্গল ৩ চন্দুনা মাঙজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা ওষ্ট্রেলিয়ানা পাঙ্গল ৫ হাপচিনবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী টোম ক্রেজনা হেটট্রিক পাঙ্গল চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৫শুবা মিনটতা জোন মিদ্দলটোননা চনখি।

## সিন্ধুনা ওকুহারা মায়থিবা পীরম্লগা ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



*নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু*

*গুৱাংঝৌ, দিসেম্বর ১৬ঃ*

চাইনাগী সিটি গুৱাংঝৌদা চথরকবা ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলসকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু মায়থিবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নিখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুদা রিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অনীশুবা সিদেদ জপানগী নোজোমী ওকুহারাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেম শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পোইন্ট ইন্ন–ইন্নদুনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা ফজবা হেনখিবদগী গেম অদু য়াম্না নক্নবা স্কোর ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদসু শান্নরোই অনীমক হৌবদগী অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙম্নদনা লাকখি। গেম অসিদসু ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা লোইশিল্লকপদা ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী ২১–১৭ দা গেম অদু মায় পাক্নুনা ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলস অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

চাইনাগী সিটি গুৱাংঝৌদা চথরিবা ৱার্ল্ড টুর বেদমিন্টন ফাইনেলস অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ চাইনাগী সি য়ুকিনা নম্বর সিজন অসিদা য়াম্না ফজবা ঙল্লিবা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী কেন্টো মোমোটাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদগী হৌরগা চাইনাগী সি য়ুকিনা জপানগী কেন্টো মোমোটাবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিনবা ঙমখিবদগী ২১–১২ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদসু চাইনাগী সি য়ুক্কী মায়কৈদগী মখা তানা ফজনা শান্নখিবদগী মোটোমাবু ২১–১১ দা থোইরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড টুর ফাইনেলস অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী পেয়র লি জুনহুই অমসুং লিয়ু য়ুচেননা জপানগী পেয়র হিরোয়ুকি ইন্দো অমসুং য়ুটা ৱাটানবেবু ২১–১৫, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র জপানগী মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিনা সাউথ কোরিয়াগী লি সো হি অমসুং সিন সিয়ুং চানবু ২১–১২, ২২–২০ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাং য়িলু অমসুং হুৱাং দোংপিংনা নম্বর ৱান সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২৩–২১, ১৬–২১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## কেপ্টেন কোহলিনা খ্বাইদগী থুনা টেষ্ট সেঞ্চুরি ২৫ লৌবা ঙম্বা ২শুবা বেটসমেন ওইখ্রে, হুম্নিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৭৫ হেন্দুনা চৎলি



*পর্থ, দিসেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না শান্নরিবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা অহানবা ইন্নিংসতা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমদুনা ফোর্মেট অসিদা খ্বাইদগী থুনা সেঞ্চুরি ২৫ লৌবা ঙম্বা অনীশুবা বেটসমেন ওইখ্রে। হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ১৭৫ হেন্দুনা চৎলি।

ঙরাং নীনিশুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭২ লৌদুনা লৈখিবনি। মদুদা টিম অসিগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং অজিনক্য রহানেনা মথংশিৎনা আওট ওইদনা রন ৮২ অমসুং ৫১ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা ঙসি হুম্নিশুবা নুমিৎ শান্নরকপদা মখা তানা বেটসমেন ৭ আওট ওইরগা রন ১১১ খক হাপচিনবা ঙমখিবদগী ৱিকেট পূম্নমক আওট ওইরগা রন ২৮৩ দা লোইশিনখি।

কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা বোল ২৫৭ মায়োক্নবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ১৩ য়ৈরগা রন ১২৩ লৌখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ঙরাং আওট ওইদনা লৈখিবা অজিনক্য রহানে ঙসি মখা তানা শান্নরকপদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। মখা তানা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন হনুমান ভিহারিগী রন ২০ অমসুং রিসব পন্টকী রন ৩৬ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। মখা তাবা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন মপুং ফানা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি।

ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোল্লর নাথান লিওননা য়াম্না ফজবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ওভর ৩৪ গা বোল ৫ লংবদা মেডন ৭ ফংলগা শুপ্নগী রন ৬৭ খক পীরগা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ৫ আওট তাহনবা ঙমখি।

ঙসি ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৩২ লৌদুনা ইন্দিয়াদগী রন ১৭৫ মাঙজিল থারগা হুম্নিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংসতা ওপনর মার্কস হরিস রন ২০ লৌরমখি। অতোপ্পা ওপনর আরোন ফিন্স রন ২৫ লৌদুনা লৈরিঙৈদা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদে। ৩শুবা বেটসমেন উসমান খাৱাজানা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা আওট ওইদনা রন ৪১ দা শান্নরি। মখা তানা চঙলকখিবা টিম অসিগী বেটসমেনশিংগী মনুংদা ট্রেভিজ হেদনা রন ১৯ লৌরমখি।

৭শুবা বেটসমেন টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা টিম পাইনেসু আওট ওইদনা বোল ২৬ মায়োক্নবদা রন ৮ লৌদুনা লৈরি।

## মোদৌ সৌগৌগী পাঙ্গল ৪ না মুম্বাই সিটিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী অনীশুবদা লেঙদনা লৈরি



*মুম্বাই, দিসেম্বর ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা ১২শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা মোদৌ সৌগৌগী পাঙ্গল ৪ না মুম্বাই সিটি এফসিনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিবু পাঙ্গল ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি।

মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়ুম্বু টিম ওইখিবা মুম্বাই সিটিনা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা থমখি। শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মোদৌ সৌগৌনা অহানবা পাঙ্গল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ১৫শুবা মিনটতা মুম্বাইগী মোদৌ সৌগৌনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা সৈমিনলেন দোঙ্গেলনা পাঙ্গল অমা চনবা ঙমখি।

মেটচকী ৩০শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চথবা ঙমখিবা মুম্বাই সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মোদৌ সৌগৌনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঙ্গল অদু চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা মুম্বাইনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা মুম্বাইগী রাফেল বাষ্টোসনা পাঙ্গল অমা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৯শুবা মিনটতা মুম্বাইগী অতোপ্পা শান্নরোই মাটিয়াস মিরাবাজেনা পাঙ্গল অমগা চনশিনবা ঙমদুনা ৫–১ দা মাঙজিল থাখি।

ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা মুম্বাইগী মখা তাবা এটেক অমদা হেটট্রিক ফংখ্রবা মোদৌ সৌগৌনা পাঙ্গল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ৬–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## লক্ষ্য সেন অমসুং অসমিতানা য়োনেক্স সনরাইজ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে

*বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ১৬ঃ*

লক্ষ্য সেন অমসুং অসমিতা চালিহানা য়োনেক্স সনরাইজ ওল ইন্দিয়া সেনিয়র রেঙ্কিং বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা বেঙ্গালুরুদা লৈবা পাদুকোন–দ্রাভিদ সেন্টর ফোর স্পোর্টস এক্সলিলেন্সতা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা হন্দক্তা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা লক্ষ্য সেননা অলাপ মিস্রাবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২১–১৬ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা অসমিতা চালিহানা আকারসি কাশ্যপপু ২১–১৪, ২১–১০ দা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা কৃষ্ণ প্রসাদ অমসুং ধ্রুভ কাপিলানা রুপেস কুমার অমসুং ভি দিপুবু ২১–১৪, ২১–৯ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপীগী দবলসকী টাইটলনা রিতুপর্না পান্দা অমসুং আরতি সারানা মেঘানা জাক্কম্পুদি অমসুং পুরভিসা রামবু থোইদুনা ফংখি। অদুগা মিক্স দবলসকী টাইটলনা ধ্রুভ কাপিলা অমসুং মেঘানা জাক্কম্পুদিনা রোহন কাপুর অমসুং কুহু গার্গপু ২১–১৩, ২১–১২ দা থোইদুনা লৌখি।

## জোসনা অমসুং মহেসনা নেসনেল স্কৱাসকী নুপী অমসুং নুপাগী টাইটল লৌখ্রে



*নোইদা, দিসেম্বর ১৬ঃ*

জোসনা চিনাপ্পা অমসুং মহেস মাঙ্গাউকরনা ৭৫শুবা নেসনেল স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপী অমসুং নুপাগী টাইটল লৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচতা জোসনা চিনাপ্পানা উরৱসি জোসিবু ৯–১১, ১১–১, ১১–৬, ১১–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মহেস মাঙ্গাউকরনা ভিক্রম মলহোত্রাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১১–৪, ১৩–১৫, ১১–২, ৫–১১, ১৫–১৩ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

## রোনাল্ডোগী পেনাল্টিগী পাঙ্গলনা জুবেন্টসনা টোরিনোবু ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*রোম, দিসেম্বর ১৬ঃ*

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এদা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পেনাল্টিদা চনখিবা পাঙ্গলনা জুবেন্টসনা টোরিনোবু ১–০ দা মায় পাকহনখ্রে।

টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখ্রবসু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঙ্গল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭০শুবা মিনটতা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা জুবেন্টসনা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু এক্সপরিয়েন্স লৈরবা পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঙ্গল ওন্থোক্নুনা মেটচ অদু ১–০ দা মায় পাকখি।

লীগ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা উদিনিসপু পাঙ্গল ১–০ দা থোইরমখি।

### ক্রোসৱার্ড ১৪গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | U | S | H | I | ■ | E | L | L | S | ■ | O | S | L | O |
| A | S | P | E | N | ■ | R | I | O | T | ■ | C | H | I | C |
| R | E | A | M | S | ■ | A | S | S | I | S | T | A | N | T |
| I | R | S | ■ | A | U | S | T | E | R | E | ■ | D | D | E |
| ■ | ■ | ■ | A | N | T | E | S | ■ | ■ | T | R | E | A | T |
| O | M | E | L | E | T | ■ | ■ | C | A | S | E | ■ | ■ | ■ |
| W | A | L | L | ■ | E | N | T | E | R | ■ | T | S | P | S |
| N | I | L | E | ■ | R | A | I | D | S | ■ | R | E | A | L |
| S | N | A | G | ■ | E | M | C | E | E | ■ | E | C | R | U |
| ■ | ■ | ■ | R | O | D | E | ■ | ■ | N | E | A | T | E | R |
| M | A | S | O | N | ■ | ■ | P | A | I | N | T | ■ | ■ | ■ |
| O | P | T | ■ | E | N | H | A | N | C | E | ■ | E | G | O |
| T | R | A | N | S | I | E | N | T | ■ | R | A | R | E | R |
| T | I | L | E | ■ | P | A | D | S | ■ | G | L | A | R | E |
| O | L | E | O | ■ | S | T | A | Y | ■ | Y | E | S | E | S |

**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICKSAMPLE

PIS

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
SL/1198/Alt.50 days